# মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈ অমদি খোঙথাং - ৬

- নানি



মণিপুরী ফিল্মনা হৌজিক ওইরিবা অমদি তঙাইফদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। মখা তানা ঙসি তমজ নিংলিবসি- মরুওইনা ফিল্ম অমা শেম্বদা লিটরেচর হায়বা অসি য়াম্না মরুওই। লিটরেচর হায়বা অসিদগী পাম্লিবা কলচরেল এস্পেক্ট, পোলিটিকেল প্রোব্লেম, হ্যুমেনিটি, ইকনমিনচিংবা কয়া অসি থোরক্কদৌরিবনি। ফিল্ম আর্ট হায়বসিদি টেক্নিকেল খক্তগী ওইবা প্রদক্সন অমা নত্তবনা নীংথিনা মায়কৈ শুনা য়েংবা অমা মথৌ তাই। ফিল্ম অমদি লিটরেচরনা খুন্নাই মীয়ামদা পীরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই হায়বসি ঐখোয় খঙনা করিগুম্বদা কাউথোকপা মানবগুম্বা অমা উবা ফংলি। ফিল্ম অমদি লিটরেচর হায়বা অসিমক অহিংবা খুন্নাই অদুগী শক্তমনি। খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, মীওইবগী হোংলক্লিবা লীচৎ-শাজৎ, পুন্সি মহিং, ৱাখল্লোন, শেন্মীৎলোন, পোলিটিকেলগী ওইবা থৌশিল-থৌরম কয়ানা খুন্নাইদা হোংহল্লক্লিবা শক্লোন কয়া অসিনা অইবশিংদা অমদি ফিল্ম পুথোক্লিবশিংদা অনৌবা ঈথিল অমা পীরিবনি। খুন্নাইগী অহোংবা কয়াশিংগী অফবা-ফত্তবা কয়া মহাক্কী ৱাখলনা শাগৎপা কেরেক্টরশিং শেমগৎতুনা মচু তানা ইথোরকই। মদুবু অমুক মীয়াম্না পারগা মহাক্কী ওইজবা মীৎয়েং অমদি পূক্নিং ইথিল অদু মশা মথন্তা পোকচরক্তুনা অশেংবা পুন্সিরোল অমগী ইথিল অমা পোকহল্লি। ফিল্মদসু অদুমঙাই চপ মান্নে। অদুগুম্বা থৌদোক-ৱাথোক অমদি শক্লোন কয়াশিং অদু অহিংবা ওইনা মীয়ামদা উৎতুনা লায়না খঙহল্লি লোয়ননা ইতোপ তোপ্পা নুংঙাইবা মহাও অমা পীদুনা লৈরিবা সোসল সিষ্টেম, পোলিটিকেল ভেল্যু, কলচরেল ভেল্যুজ কয়াশিং অদুগী মরমদা ৱাখল খলহল্লি। লিটরেচর অমদি ফিল্মনা মীওইবা খুন্নাইদা চাউরবা অহোংবা অমা পুরক্নবা ইথিল মাগী-মাগী ওইবা মপুথোক অমদি প্রদক্সনদা মচাক ওইবা শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু অনৌবা অফবা পুন্সিরোল অমা শেমগৎনবা চেকশিনবা ফিরেপ লৌহল্লি। লিটরেচর অমদি ফিল্ম অনীমক অসি মখোয়-মখোয় ওইজবা মরমচৎ অমমম লৈজবনা তোঙান্না উরবসু অনী অসি থাদোক্নবা শুংয়া য়াদবা শেল অমগী মমায় নাকল অনীনি হায়নরিবনি। ঙসি নৈনজগদৌরিবা ৱাফম অসিসু মান্নদবা আর্টকী শক্লোন অনী অসিনা করম্না ঐখোয়গী পুন্সিরোলদা অমদি খুন্নাইরোলদা করি থৌদাং লৌরিবগে অমদি অনী অসি করম্না পুনশিল্লগা মীয়ামগী ওইবা অপূনবা মেদিয়ম অমা ওইরক্লিবনো হায়বগী মতাংদনি। চে অসিনা য়াম্না পাক শন্না হীরম অসোমদা কোনশিল্লুবা ঙমদ্রবসু তেন্তন্না লিটরেচর অমদি ফিল্ম হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অনী অসিনা ঙসিগী মীয়ামদা পোকহল্লিবা ইথিল খরদং থমজগে।

মপুং ফাবা ফিল্ম অমা য়েংবদা মথৌ তারিবশিংগী মনুংদা ফিল্ম অমদি লিটরেচর হায়বা অনী অসিসু অমনি। অমা হেক ৱাৎপদা ফজবা মপূম ওইনা উবা ঙমদে। অদুনা অনী অসি অসুক্কী মতিক মরী লৈনৈ। লিটরেচর য়াওদনা ফিল্ম অমা মপুং ফানা শেম্বা ঙমদে। ফিল্ম অমা উৎপগী পান্দমশিং অদু লিটরেচরগী মতেংনা মীয়ামদা পীবা ঙমগদৌরিবনি। খুন্নাই অমবু অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনবদা লিটরেচরনা লৌরিবা থৌদাং অদুমক ফিল্ম ওইনা শেম্বদা মদুগী মচাক মীয়ামশিং অদু তাশিন-খোমজিন্দুনা ফিল্মদুগী শিংলি-নাওরিদা হেক চঙখিবদা অয়েংবশিংগী ৱাখলদা ময়েক লানা উৎথোকপা ঙম্মী। লৈবাক খুন্নাইগী অপূনবগী মশক্তা কম্যুনেলিজম হায়বা অসিনা কয়া য়াম্না শোকহনবগে হায়বদু ফিল্মনা ময়েক লানা উৎলি। ফিল্ম অমগী পান্দমসু কম্যুনেলিজমগী মায়োক্তা লৈদুনা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎপনি। ফিল্মদা ঐখোয়না তোঙানবা রিলিজিন, সেক্স, কাষ্ট, সোসল এন্দ ইকনমিক ষ্টেটস অসি পুন্না উৎলি মদু পুন্নমক অদু লিটরেচরনা কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা ঙাক্তনি।

ফিল্ম অমা হায়বসি খুন্নাই অমগী হৌখ্রবা, ওইরিবা অনীমক্কী



অশেংবা রিফ্লেক্সন অদুনি। খুন্নাই অসিনা ফিল্মদগী তমজনফম অমদি লমজিংনবগী চাউরবা ইথিল অমা পীদুনা লাক্লি। ফিল্মদা উৎলিবা খূদিংমক খুন্নাইগী ৱারীনি অমরোমদা ইরিবা অমদি পুথোক্লিবশিংগী ৱাখলদা শাগৎপা হায়নিংলিবা, ওইহন্নিংবা শক্তম অদুগী মমি পরেংশিংনি। মমিং লৈরবা একাদেমী ওফ মোসন পিকচর আর্টস এন্দ সাইন্সেসকী প্রসিদেন্ট তোম শেরাকনা হায়- *"মোভিজ আর এ ফোর্ম ওফ কম্যুনিকেসন এন্দ দেট কম্যুনিকেসন, দোজ ষ্টোরিজ, কম ফ্রোম সোসাইটিজ- নোট জষ্ট হ্বার সোসাইটি ইজ প্রজেন্টলি এন্দ হ্বাট ইট'স দুয়িং নাও- বট হ্বার সোসাইটি হেস বীন। ইট হেস বীন দেট ৱে ফোর এজ লোং এজ মোভিজ হেভ বীন এরাউন্দ"*। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা তূনা য়েংবদা সোসাইটি অদুদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং, মীওইবগী নুংদা ফাওরিবা পুকচেল শেংদবগী অমদি অচাউরম কান্নবা মদুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা মশক্তি উদনা থম্মোয়-থম্মোয়দা খাগৎলক্লিবা শম্বল কয়াশিং অসিনা ঙসিদি তংদু-লৈতাবা ঙমদবা, নুংশিনদবগী মরী অমা শাগৎলক্লিবনি। মসি লিটরেচরগী কাঙলোনদা মচু-মমেন তানা ইমোসন, সজেসন, সোল্যুসন হাপ্তুনা পুথোরক্লি। মদু অমুক ফিল্মনা লৌরগা ফিল্মগী ওইবা দিভাইসশিং শীজিন্নদুনা ফিল্ম মেদিয়মদা পুথোরক্লি। মসিদা ইন্টরটেনমেন্ট, কম্যুনিকেসন অমদি এদ্যুকেসনগী শরুক হাপ্তুনা আর্টকী এস্থেটিক অমদা মীয়ামদা লাম্থোরকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওক্নরিবনি। অদুনা ফিল্ম হায়বা অসিমক্তি ইন্টরটেনমেন্টকী য়াম্না মরুওইবা মচাক-মরল য়াম্না লৈ। মসিবু য়েংলুবা মতমদা ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখলসি অনৌবা অইবা অমদি পুথোক্লিবা দিরেক্টর অদুগী ক্রিএটিভ ৱর্ল্ড অদুদা চঙখি। মসিদা লায়রবা-ইনাক খুনবা, লাইরিক হৈবা হৈতবা হায়বা অমত্তা থিদনা চপ মান্ননা নুংঙাইহনবা ঙম্মী। অমরোমদা ফিল্ম হায়বসি টিম ৱার্কনি মসিদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ময়াম অমা লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা, লাইটিং, মেক অপ, ম্যুজিক, দান্স, লিটরেচর, টেক্নিকেল হেন্দস, ইদিটিং। হায়রিবা টিম ৱার্ক অসিনা অপূনবা ওইনা মীয়ামদা অনৌবা মেসেজ অমা পীরিবনি। ফিল্ম অমনা ঐখোয়না খনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা কান্নরবা ৱাখল্লোন কয়া ইরায় লায়না পীবা ঙম্মী। লোয়ননা ফিল্মদগী ঐখোয়দা অনৌবা থৌনা, লৌশিং, মীনুংশি অমদি পুকচেল লেপ্পা কয়া তম্বসু ঙম্মী। ফিল্মনা মীয়ামদা কান্নবা পীবগী মতিক নেগেটিভ ইম্পেক্ট অমসু পীরি হায়বসিসু ঐখোয়না কাউফদে। হৌজিক্কী মতমদা ফিল্মদা কা হেন্না ফিজিকেল টোর্চর তৌবা, ভাইওলেন্স ওইবা থীম অমদি সিনশিংনা নহা ওইরিবশিংগী পূক্নিংদা চঙখিদুনা ফিল্মগী এক্ট অদু চাংয়েং তৌনিংলকপা য়াওদবা নত্তে।

পুন্নমকশিং অসি তূনা য়েংলগা ঐখোয়না ফিল্ম পুথোকপা অমদি ফিল্মদা শরুক য়ারিবা পুন্নমকশিংনা তঙাইফদনা খনফম থোকপা মচাকশিং অদু য়ৌনা খনমিন্নদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা ঐখোয় পুন্নমক্কী অপূনবা থৌদাং অদু লৌমিন্ননিংই। ঐনা ঐনা পাম্বা মায়কৈরোমদা শুম চৎনখিদুনা মমৈথংদা ফিল্ম হায়বা অসি য়াম্না লায়বা অমদি মমল লৈতবা অমা ওইনা মীয়াম্না খন্নরক্কদবা অদুদগী কন্দুনা ফিল্মনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি হেন্না মপুং ফাহন্দুনা মহৈ য়ালহনবা অমা মথৌ তাই। হীরম অসোমদা খুৎ থারিবা পুন্নমকশিংনা খুন্নাই মীয়ামগী য়াইফনবা তুং-মাঙ য়েংদুনা অফবা পোত্থোকশিং পুথোকপা হায়বসিনা তুংগী খুন্নাইগীদমক্তদি অফবা অচুম্বা ওইগনি হায়না খল্লি।

*...মখা মথং নোংমাইজিংদা*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০১।০১।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
ৱাকচিংগী ১০ নি পানবা।

মেষ: হরাওবা নুংঙাইবা, মীংচৎ ফংবা, অনীংবা পাঙবা, পল্লম্বা লন ফংবা, মরুপ মপাংনা চানবীবা লৈ। লাই-গুরুনদি ৱারৌগনি-হৈপা শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: চিংনবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌবনা চাদিং হেনবা নুমিৎনি। অচুম্বনা যুম্ফম ওইনা চৎলগদি কান্নগনি, মীয়াম লোয়নবসু নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজদ্রদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: লাইবক থোইনা ফগনি, নীংবা মপা চাগনি, খরা ৱারসু হোৎনজবগী মহৈ ফংগনি। চেকশিনগদবদি-নোল্লুক্না চৎচরি মতিক য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, ৱাখল থোক্কনি, ওইজবা ফংগনি। ঙসিসু কিদবনা শেল থুমগী লমদা কান্নজগনি। ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

সিংহ: হৈ-শিংনা চৎকদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং লোয়নবা, নথক থোংবগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগনি। ঐ মঙাইরে খন্না চৎলদি মাঙবতা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: নোল্লুকপা হৈতবনা মরুপ মপাংগা মরী ফরোই, মীতোপ্না খুদোংচাবা লৌখিনি। মীয়াম্না পাম্নবা থবক্তদি মায় পাক্কনি-মখোয়গা লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: নীংবা থুংগনি, লাইবকসু ফগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই-খুদক্কী ওইবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। মী উশিত্তবদি ফত্তে -অশোনবা লৈত্রবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: নীংবা থুংগনি, অনৌবা আশাগা লোয়ননা পাঙবা থবকশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি, মরুপ মপাং অমদি নক্নবশিংগা লোয়নবা ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: য়েক্লবা লৈরম্বা মাঙখিনি, পল্লম্বা লন অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। নচা-ননাই অমদি মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈগনি-পঙশিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা ঙসিসু লৈ, মীগী মতেংনা পাংঙমদবা থবকসু পাঙবা ঙমগনি। নোল্লুকপা হৈত্রদি চাদিং হেনবা/কায়নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: ফিংবা/অশাওবনা মরুপ মপাংগা মরী ফরোই অমদি পাঙনিংবা থবক পনগনি। লাইবক ফবা, ৱাখল থোকপা, ঈকায় খুম্নবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: খুরৌ থাংলম্বা ফরনি, য়েৎনবদা মায়থিবা লৈরোই। ইমুং মনুংতা নত্তনা মরুপ মপাংনা থোইনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। ঙাং-শকপা পকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## শোত্থরবশিংদা পীরিবা কান্নবশিং লৌহৌনবা হোৎনমিন্নসি : দেবেন



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): মান্নবা অমসুং চাউখৎপা খুন্নাইগীদমক ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না লায়রবা লৌমী-শিন্মী অমসুং শোত্থরবা কাঙলুপশিংদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া অমদি প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। অদুবু ঐখোয়না খঙদবদগী ফংফম থোক্লবসু মদুগী কান্নবা কয়া অমা ফংবা ঙমদনা লৈরি। মীয়ামগীদমক থৌগল তৌগনি হায়না থোরক্লিবা ঐখোয়না চেকশিন্না য়েংশিনবীদুনা তশেং তশেংনা ফংফম থোক্লবা মীওইশিংনা লৌহৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ ডা. উশম দেবেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টকী মখাদা শোত্থনা লৈরিবা সেদ্যুল কাষ্টকী মীওইশিংদা পীবা স্পেসল সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স (এস সী এ) টু সেদ্যুল কাষ্ট সব-প্লান (এস সী এস পি) ২০২২গী মখাদা পীবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ককচিং ৱাইহিরি ৱার্দনম্বর ৩ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা ৱাবগাই এ সীগী ওইনা খনগৎলবা মীওইশিংদা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা এম এল এ উশম দেবেননা মখা তারদুনা হায়খি, লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রবা নোংমগী শুরগা চারিবা মীওই কয়াদা পীরিবা লেবর কার্দ অসি মতম চানা শেমহৌদবা, শাহৌদবনা লেবর অমদা চহী অমদা মচা লাইরিক তম্বগী লুপা লিশিং ১০, নারক-য়েল্লকপদা লুপা লিশিং ৪৫ অমসুং শিবদা লুপা লিশিং ৩০ ফংবা য়াই হায়বসি ইখঙ খঙনদে। মদুনা মরম ওইরগা ফংফম থোক্লবসু কান্নবা ফংবা ঙমদনা লৈরি। অসিগুম্বা কান্নবা অসি লৌবা য়ানবা লেবর কার্দ অসি পায়হৌনবা হোৎনসি। লোয়ননা লেবর কার্দ শানবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লৌউ-শিংউ তৌবদা শীজিন্নবা হিদাক কাপ্নবা পম্প অমসুং উ শুবদা শীজিন্নবা খুৎশু-খুৎলায়শিংসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর সলাম চাওবা অমদি কে এস ঐচ রাজমুহোন অনীনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেলগী ঙমজবা খরদং হায়বা থৌরাংগী মখা চত্থরকপা থৌরম অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফৌদেল কবরষ্টান লৈরক্তা লৈবা জাকির হুসেন অমদি এস এম তাহিনা সহানিগী মচানুপী সিঙ্গামযুম সাগুপ্তা সাহিলনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা মাষ্টর ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স এগজাম ২০২২দা গোল্ড মেদল অহুম লৌরকপা ঙমখিবগীদমক মহাক্কী ময়ুমদা চৎতুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী চ্যেরমেন ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, লায়রবা ইমুংদা পোকপী সাগুপ্তুনা হোৎনববু লেপত্রবদি পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমা ওইবা ঙম্লি হায়বদু তাক্লে। সেলিন দিজিটেলগী মায়কৈদগীসু মখা তারকপা মহৈ-মশিনদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।




Title : Cat
By : Sagolsem Inunganbi Chanu
Class : I Sec : D Roll No. : 45
School : Little Flower School



Title : Sangai
By : Bhaskar Ngangbam
Class : KG
School : Nongpok Maheikol



Title : Gautam Budha
By : Harshita Ningthoujam
Class : VII-A Roll No. : 11
School : Kendriya Vidyalaya No. 1




Title : Pikachu
By : Longjam Lamnganba Singh
Class : I Roll : 45
School : Career Guidance and Counselling Centre



Title : Koi Fish
By : Ningthoujam Chetanpriya Devi
Class : VII-C Roll No. : 15
School : Kendriya Vidyalaya No. 1




Title : Santa Claus
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll No. : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1



Title : Scenery
By : Tomthinngbanbi Ningthoujam
Class : VI Roll : 16
School : Maheilen Education Centre



Title : Plants
By : M. Telheiba
Class : V Roll : 21
School :



Title : Boruts Uzumaki
By : Amaan Altamash Hussain
Class : III Sec : A Roll No. : 16
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Scenery
By : Linthoi Chanu
Class : V Sec : A Roll No. : 19
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Poireihenbi Thoudam
Class : III Sec : A Roll No. : 30
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kakashisonset
By : Chirom Dexter Meitei
Class : III/A Roll No. : 9
School : S.R.H.S. School




Title : A Kite
By : S. Korounganbi Chanu
Class : K.G. Roll No. : 03
School : Kangleipak Modern School



Title : A House
By : Pukhrambam Malemnganbi Chanu
Class : Nursery Roll : 10
School : Kangleipak Modern School



Title : Goku
By : Lairikyengbam Antonio Singh
Class: VI
School : K.V. Lamphel



Title : Flowers
By : Srinivas
Class : V Roll No. : 38
School : Maheilen Education Centre, Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।